# ইস্লামিক ষ্টেটনা বাঘদাদতা বোম্ব লান্দাখ্রে, মীওই ১৩০ শিখ্রে, মশীং য়াম্লবা মীশিং শোকহনখ্রে



বাঘদাদ, জুলাই ০৩ (এজেন্সী)ঃ
ইরাক্কী কেপিটেল বাঘদাদতা চথুখিবা তোঙান-তোঙানবা বোম্বিং এটেক অনীদা য়ামদ্রবদা মীওই ১৩০ শিখ্রে অমসুং মীওই ১৫৩ গী মথক্তা অশোক-অপন নংখ্রে হায়না ইরাকি ওফিসলশিংনা ফোঙদোক্লি।

শাথীরবা বোম্বিং এটেকশিং অসিনা লানফমদা মায়থীবা কয়া নংদুনসু ইস্লামিষ্ট এক্সট্রিমিষ্টশিংনা অচৌবা এটেক কয়া হৌজিকসু পাঙথোকপা ঙমই হায়বসি উৎলে হায়রি। খ্বাইদগী শাথীবা এটেক অদু বাঘদাদকী সেন্ট্রেল করাদা দিষ্ট্রিক্টতা চথুখি। সুইসাইদ বোম্মর অমনা মীনা কৃক কৃক ইন্নখিবা শোপ্পিং সেন্টর অমগী মনাক্তা এক্সপ্লোসিভনা থন্না য়াওরবা মহাক্কী পিক-অপ ট্রক মশা য়াওনা পোকখায়হনখি।

পুলিস অমসুং হোস্পিটালগী ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না, এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ১২৫ শিখ্রে অমসুং ১৭০ রোম অশোক-অপন নংখ্রে। শিরিবশিংদুগী মনুংদা অঙাং ১৫, নুপী ১০ অমসুং পুলিসমেন ৬ য়াওখি।

সুইসাইদ বোম্মর অদুনা ঙসি নোংয়াই মতুং ঙাইহাক লৈরগা শেংলবা রেম্মদন থা মনুংগী অয়ুক-নুংথিলগী চাকহেন লোইশিনখ্রবা মতুং অথেংবদা ইমুং কয়া অমসুং নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা লন্বীদা থোক্লক্লবা মতমদা শাথীরবা এটেক অদু চথুখিবনি।

ভিক্টিম অয়াম্বা মথোল কয়ামুক লোংবা শোপ্পিং অমসুং এম্যুজমেন্ট মোল অমগী মনুংদা লৈরম্মী। মীওই কয়া মনুংদুদা মৈ চাক্তুনা নৎত্রগা শ্বর ফুন্দুনা শিখি হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখি।

ওনলাইনদা থাদোরকখিবা ষ্টেটমেন্ট অমদা ইস্লামিক ষ্টেট গ্রুপনা বোম্বিং অদু মখোয়না পাঙথোকখিবনি হায়না ক্লেম তৌখ্রে অমসুং অতম্ননা মখোয়না সিয়াশিংদা টার্গেট তৌখিবনি হায়খ্রে। তৌইগুম্বসুং ষ্টেটমেন্ট অদু কনফার্ম তৌবদি ঙমখিদে।

"মদু য়ুহা হাবা অমগা মান্নখি" হায়না করিম সামি কৌবা চহী ৩৫ শুরবা ষ্ট্রীট ভেন্দর অমনা হায়খি। ঐহাক্না পোৎ-চৈশিং লোইশিন্দুনা য়ুমলোমদা চৎপা মতমদা অহৌবা পোকখায়বগী মখোল অমগা লোয়ননা অচৌবা মৈবুল অমা উখি। ঐহাক চঙশিনবা অদুক্কী মতিক কিখি অমসুং মরুপ-মপাংশিংদা ফোন তৌখি, তৌইগুম্বসুং কনামত্তনা পাউখুম পীরকখিদে" হায়না অঙাং অহুমগী মপা অদুনা হায়খি। থৌদোক থোকফমদা ফায়রফাইটরশিং অমসুং সিভিলিয়নশিংনা অশিবা হকচাংশিং ফিনা য়োমশিন্দুনা পুথোকপা উখি। শোপ্পিং সেন্টরদুদগী মৈখু মপৈ-মপৈ কাবগা লোয়ননা মদুগী মনাক অকোয়বদা মৈ চাক্লবা, অকায়-অতোয় থোক্লবা কারশিং অমসুং মার্কেট ষ্টোলশিংসু উখি।

ঙসি অয়ুক্তসু ফায়র ফাইটরশিংনা অচাকপা মৈশিং মুত্থৎনবা হোৎনখি অমসুং মৈনা কাথেল্লবা বিল্ডিংশিংদগী অশিবা হকচাংশিং হোন্দোকখি। বোম পোকখায়বদুগী মতুং মতম শাংনা মফমদুদা এম্বুলেন্সশিং চঙশিনখিদে হায়রি। থৌদোক্তুবু উহৌবা মীওই অমনা অচৌবা পোকখায়বদুনা মরম ওইদুনা মনাক নকপা ফি অমসুং সেলফোনগী দুকানশিংসু মৈ ৱাইদুনা চাকখি হায়না ফোঙদোকখি।

অনীশুবা এটেক অদুদা আই ঈ দি অমা বাঘদাদকী নোর্দর্ন সাব এরিয়াদা পোকখায়খি। মদুদা মীওই মঙা শিখি অমসুং অতৈ ১৬ শোকখি। এটেক অদু কনামত্তনা ক্লেম তৌখিদে হায়না পুলিস ওফিসর অমনা ফোঙদোকখি।

শোপ্পিং সেন্টরগী বোম্বিং অদু লোইরবা মতুংদা প্রাইম মিনিষ্টর হাইদর-অল-অবাদিনা থৌদোক থোকফমদা চৎতুনা য়েংবা মতমদা খোইরাং খোইশাওনরবা মীয়াম্না অল-অবাদি অমসুং মহাক্কা লোয়নখিবা লোমেকরশিংদা "হুরানবা" হায়বনচিংবা ৱাহে শীজিন্নদুনা খোল্লাউ কয়া লাউশিনখি হায়রি। মীয়াম্না প্রাইম মিনিষ্টরগী কনভোয়দা নুঙ, খোঙউপনচিংবা লংশিনখি হায়না আই ৱিটনেস অমনা ফোঙদোকখি।

## বাংলাদেশনা ভিক্টিমশিংগীদমক্তা অৱাবা ফোঙখ্রে

ধাকা, জুলাই ০৩ (এজেন্সী) ঃ
ধাকাদা লৈবা রেষ্টোরেন্ট অমদা ইন্দিয়ান অমা য়াওনা অয়াম্বনা মীরৈবাকমচাশিং ওইবা মীওই ২০ ইস্লামিক ষ্টেটকী টেররিষ্টশিংনা হাৎখিবা এটেক অদুগী ভিক্টিমশিংগী মফমদা বাংলাদেশনা ঙসি অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

"লৈবাক্কী ফীরাল তঙ্খায় চীংথদুনা পাইহনগনি, মীয়াম্না অমুবা বেজশিং থেৎকনি, মোস্কশিং, মন্দিরশিং, চর্চশিং অমসুং অতৈ লাইখুরুমফমশিংদা নোংমাইজিং নুমিৎতগী হৌরগা নুমিৎ নীনি চুপ্পা অৱাবা ফোঙদোক্কনি" হায়না দেলি ষ্টারনা ফোঙদোকখি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা য়ামদ্রবদা আই এস মিলিটেন্ট তরেৎনা ধাকাগী দিপ্লোমেটিক জোনদা লৈবা হোলি আর্টিজান বেক্করিদা থোমজিনখি অমসুং মখোয়না মীওই ৩০ হেন্না ফাজিন্দুনা থমখি। এটেক্কর পুম্নমক বাংলাদেশী সিটিজনশিং ওইরমখি অমসুং মখোয়গী মনুংদা মঙাদি তোঙান-তোঙানবা কেস কয়াদা পুলিসনা ৱান্টেদ লাউথোকখিবশিং ওইরমখি হায়রি।

ইন্সপেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস শহিদুল হোকনা সী এন এনদা হায়খি মদুদি, এটেক অদুদা শরুক য়াখিবা টেররিষ্টশিংদুগী মনুংদগী মঙাদি মমাঙদা পুলিসনা ফানবা হোৎনখিবশিংনি।

## আই এস আই এসকী মী কিহনবা, হাৎপা তুপ্পগী কেম্পেইন মায় পাক্লোই : হিলারি ক্লিন্টন



ৱাশিংটন, জুলাই ০৩ ঃ
বাংলাদেশতা আই এস আই এসকী মিলিটেন্টশিংনি হায়বা খুৎলায় পায়বা মীওই কাঙবু অমনা রেষ্টোরেন্ট অমদা মরাল লৈজদ্রবা মীচম ২০ হাৎখিবা মতুংদা দেমোক্রেটিক পার্টিগী হ্বাইট হাউস পায়নবগী ৱাখল তৌরিবা হিলারি ক্লিন্টননা হায়খ্রে মদুদি টেরর গ্রুপ অদুবু মায়থীবা পীনবগী লাঞ্জংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা মসিগী মীচংশিংগা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি।

ক্লিন্টননা হায়খি, বাংলাদেশকী মীয়াগীদমক্তা মহাক্না লাই খুরুমজে। লোয়ননা টেরর গ্রুপ অদুনা চথরিবা মীবু কিহন খঙহনবা, তুকচ্চবা অমসুং হাৎপা-তুপ্পগী কেম্পেইন অদু মায় পাক্লোই।

"ধাকাদা লৈবা রেষ্টোরেন্ট অমসুং বেক্করি অমদা টেররিষ্টশিংনা শাথীরবা এটেক অমা চথখ্রিবসিনা মালেমগী মফম অমদা এটেক অমা চথবা হায়বসি ঐখোয় পুম্নমক্তা চথবগা মান্নে হায়বসি নীংশিংহল্লি" হায়না ক্লিন্টনগী ৱারোল অমনা হায়খি।

ধাকাগী ভিক্টিমশিং অদু মালেমগী মফম খুদিংমক্তগীনি। মখোয়শিং অদু ইটলি, জপান, ইন্দিয়া অমসুং বাংলাদেশতগীনি। মখোয়গী মনুংদা অমেরিকান সিটিজন অমা য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই অহুম য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা কোলেজ তম্লম্মী হায়না হান্নগী সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটনা হায়খি।

"ঙসিদি ঐখোয়না খোঞ্জেল অমখক্তা হায়রি: মীবু কিহন খঙহনবা, তুকচ্চনা তৌবা অমসুং হাৎপা-তুপ্পগী কেম্পেইন অসি মায় পাক্লোই। ঐখোয়না মনিং হন্দুনা চৎলোই" হায়না হিলারি ক্লিন্টননা হায়খি।

"ঐখোয়না অমগা-অমগা থাদোক্লবা তৌরোই। য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা আই এস আই এস অমসুং রেদিকেল জিহাদিজম মায়থীবা পীনবগী লাঞ্জংদা ঐখোয়গী মরুপশিং অমসুং মীচংশিংগা খোঙফম চেৎনা লেপ্লি। টেররিজমগী ভিক্টিমশিং, মখোয়গী ইমুংশিং অমসুং বাংলাদেশকী মীয়ামগীদমক্তা শেন্বীবা মপূগী মফমদা খুরুমজে" হায়না ক্লিন্টননা হায়খি।

টেররিষ্টশিংগী এটেক অদুদা মরাল লৈজদ্রবা কয়া মথ্খায় মাঙখিবদুদা নুংনাংবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা দেমোক্রেটিক লীদর নেন্সী পেলোসীনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা বাংলাদেশপু মতেং পাংনবা শেম-শাদুনা লৈ।

"ঐখোয়না পুবদা ৱারবা থম্মোয়গা লোয়ননা কিনিংঙাই ওইবা এটেক অদুগী ভিক্টিমশিং, মদুদা হিংহৌবশিং অমসুং মদুনা শোকহল্লবা মীওইশিংগীদমক্তা শেন্বীবা মপূগী মফমদা খুরুমজে। পুক্নিংগী অরেপ্পা ফীরেপকা লোয়ননা ঐখোয়না ফৎত্রবা থবক থৌওংশিং অসিগী মায়োক্তা খোঙফম চেৎনা লেপকনি" হায়না মহাক্না হায়খি।

"ঐখোয়না টেররিষ্টশিংবু অরৈবা পাঙ্গল, য়ুনিটি অমসুং মপুং ফারবা লাল্লোং অমগা লোয়ননা মখা তানা মায়োক্নগনি। মীবু তুকচ্চবগী ৱাখলনা লীচিং ওইদুনা থোক্লক্লিবা এক্সট্রিমিষ্টশিংনা মালেমগী কম্যুনিটিশিংগী মরক্তা অমগা অমগা মতেং পাংনবগী ৱাখলগী মঙাল অমা থোক্লক্লিবসি কৈদৌনুংদা মুত্থৎপা ঙম্লোই" হায়না পেলোসীনা হায়খি।

## পাকিস্তাননা মিলিটেন্টশিংবু 'অফবা' অমসুং 'ফৎতবা' খায়রিবরা : দোন

ইস্লামাবাদ, জুলাই ০৩ (এজেন্সী) ঃ
টেররিষ্টশিংগী মায়োক্তা চপ চাবা ফীরেপ অমা লৈনবা পাকিস্তানদা খঙহল্লদুনা ঙসি লৈবাক অদুগী মরু ওইবা নুংতিগী পাউচে অমনা ইস্লামাবাদনা অফবা অমসং ফৎতবা মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা খেন্নবা থল্লিব্রা হায়না হংখ্রে।

"পাকিস্তান অমসুং লমদম অসিগী সিক্যুরিটিদি লমদম অসিগী লৈবাক খুদিংমক্না মিলিটেন্সি অমসুং মওং খুদিংমক্কী টেররিজমগী মায়োক্তা ৱাখল অনী লোংদবা পোলিসি অমা চৎনহনবদা লৈরে" হায়না দোনগী এদিটোরিএল অমনা হায়খি।

তৌইগুম্বসুং এদিটোরিএল অদুনা পাকিস্তানগী ফোরন এফেয়র্সকী এদভাইজর সর্টাজ অজিজগী ৱাফম খরনা চমন্নবা হেনগৎহল্লে হায়খি অমসুং খুদক্তা নাখৈ শেংনা শেংদোক্লবা তকশিনখি।

মিলিটেন্টশিংবু কিবদগী অজিজনা পাকিস্তাননা হকানি নেটৱার্ক অমসুং পাকিস্তানগী লৈহাওদা লৈরিবা অফঘান টালিবানগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎপা ৱাৎপগী ফীভম অমা লৈরিবদুবু অচুম্বা থৌওং অমগুম্না ফোঙদোকখি হায়না এদিটোরিএল অদুনা হায়খি। মহাক্না মিলিটেন্ট গ্রুপ খরগী মায়োক্তা ষ্টেটনা কদায় ফাওবা অমসুং করম্বা স্কেলদা থবক পায়খৎকদগে হায়বগী মতাংদা হৌজিক ৱারেপশিং লৌবগী তঙাইফদবা লৈবগী মওংদা ফোঙদোকখিবা মাল্লি।

অজিজনা অফবা অমসুং ফৎতবা টালিবানগী মরক্তা খেন্নবা থম্বগী পোলিসি লৈরোই হায়বা ষ্টেটকী কম্মিটমেন্ট অদুদগী হন্দোকখ্রবা?" হায়না এদিটোরিএল অদুনা হংখি।

"মদুমক ওইবা তারবদি ঙক্লিংঙাই অমসুং মীপাইনিংঙাইনি, খুদিংমকসি মহাক্কী চেকশিন্দবা ৱাঙাঙ অদুনা হেন্না ফৎহন্দ্রে।"

দোননা হায়খি, পাকিস্তানগী পোলিসিদি মিলিটেন্ট গ্রুপ খুদিংমকপু মমৈথংদা পুংমাঙ মাঙহন্দুনা সোল্ব তৌগদবা প্রোব্লেম অমা ওইনা ট্রিট তৌবনি।

"পাকিস্তাননা অফঘান টালিবানবু ৱারী শানবগী টেবলদা পুরক্কবা হোৎনববু মিলিটেন্ট গ্রুপশিংগী মরক্তা অমগা-অমগা খেন্নবা থম্নবগী মরম অমা ওইহল্লোইদবনি।

"অফঘানিষ্টানগী তং-তাবগী ফীভমদা অকিবা পোকহনবনা পাকিস্তানগী তং-তাবগী ফীভমদসু অকিবা পোকহল্লি। ইস্লামাবাদতা লৈরিবা সিক্যুরিটি ইষ্টাব্লিশমেন্ট অমসুং পোলিটিকেল লীদরশিপনা মমাঙঙৈগী চৎনদ্রবা মাঙনিংঙাই ওইবা হৈনবীশিংদা অমুক হঞ্জিনবা হায়বসি অফবা ওইরোই।"

ইন্দিয়া অমসুং অফঘানিষ্টান অনীমক্না পাকিস্তানবু ন্যু দিল্লি অমসুং কাবুলগী মায়োক্তা থবক তৌবা টেররিষ্ট গ্রুপশিংবু চঙজফম অমসুং ট্রেনিং পী হায়না মরাল শীরি। ইস্লামাবাদনদি মরাল শীবা ৱাফম অসিবু য়াদ্রি।

## ঈচাও থোক্লকপদগী পাকিস্তানদা মীওই ৩০ শিখ্রে

ইস্লামাবাদ, জুলাই ০৩ (এজেন্সী) ঃ
পাকিস্তানগী খাইবর পাখটুনখৱা প্রোভিন্সতা ঈশিং ঈচাও থোকপদগী য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখ্রে অমসুং ৩৫ অশোক-অপন নংখ্রে লোয়ননা মীওই কয়া থিবা খঙখিদ্রে হায়না ঙসি অয়ুক ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।



চিত্রাল দিষ্ট্রিক্টকী মেয়র মঘেফিরট হুশাইননা হায়খি, দিষ্ট্রিক্ট অদুদা থাংজ নুমিৎকী অহিংদা নোং কন্না চুবদগী মোস্ক অমা অমসুং য়ুম ৩০ ঈশিংনা চেন্থোকখ্রে হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা ফোঙদোকখি। মীশিংনা রেম্মদনগী প্রেয়রশিং পাঙথোক্লিঙৈদা মোস্ক অদু মপুং ফানা নীংখায়দুনা চেনখি। ঈচাও অদু চিত্রাল তুরেলগী ঈমায় পাথোরকপদগী থোকখিবনি হায়রি। মিদিয়া রিপোর্টশিংগী মতুং ইন্না, ঈচাওদুদা মীওই ৩০ শিখ্রে, ৩৫ না ফীভম লুনা শোকখ্রে অমসুং ৩১ না থিবা খঙখিদে।রেস্ক্যু ওপরেসনশিংগীদমক্তা আর্মি, পেরামিলিটরি ট্রুপশিং অমসুং রেস্ক্যু টিমশিং কৌখি। দিষ্ট্রিক্ট অদুদা নোং লেপ্তুনা কন্না চুবনা মরম ওইদুনা রেস্ক্যু টিমশিংনা প্রোব্লেম কয়া মায়োক্নখি হায়না মেয়রনা ফোঙদোকখি।

## সিরিয়াগী লানদা ইরাননা য়ু এসকা কোওর্দিনেট তৌনরোই : খামেনৈ

টেহরান, জুলাই ০৩ (এজেন্সী) ঃ
সিরিয়া অমসুং অতৈ রিজনেল কনফ্লিক্টশিংদা ইরাননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা কোওর্দিনেট তৌনবগী ৱাফম লৈতে হায়না ইরানগী সুপ্রিম লীদর অয়াটোলা অলি খামেনৈনা ঙসি মহাক্কী ৱেবসাইটতা ফোঙখিবা ৱারোলদা হায়খ্রে।

"মখোয়গী মরুওইবা পান্দমদি লমদম অসিদা ইরানবু লৈহন্দবা ওইবনা ঐখোয়না অসিগুম্বা কোওর্দিনেসন অমা পামদে" খামেনৈনা য়ুনিভর্সিটিগী মহৈরোয়শিংদা পীখিবা স্পীচ অমদা হায়খি হায়রি।

ইরান অমসুং রশিয়ানা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) গ্রুপ য়াওনা সিরিয়ন প্রসিদেন্ট বাশর অল-অশাদনা খুৎলায় পায়বা রেবেলশিং অমসুং জিহাদিষ্টশিংগী মায়োক্তা শোক্লরিবা লাল শৌগৎলি।

সিরিয়া অমসুং ইরাকতা জিহাদিষ্টশিংদা বোম্বিং এটেকশিং চথরিবা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসনগা ঈ-পাউ ফাওনদুনা থবক তৌবগী ৱাফম টেহরাননা রিজেক্ট তৌরি।

খামেনৈনা লমদম অদুদা য়ু এসনা খুৎ থিংজিনবগী থবক লেপ্পনবা হঞ্জিন-হঞ্জিন্না দিমান্দ তৌখি অমসুং হায়খি মদুদি, ইরানবু মালেমসিদগী নাইতোম তানা লৈবা লেপ্পনবা হৌখিবা চহীদা ৱার্ল্ড পাৱরশিংগা ন্যুক্লিয়র একোর্দ অমা সাইন তৌনখিদুনসু ৱাশিংটননা হৌজিকসু টেহরানগী মায়োক্তা অকনবা থৌওং কয়া চথুদুনা লৈরি।

## অফঘানিষ্টানদা টালিবান মিলিটেন্ট ২০ সরেন্দর তৌখ্রে

কাবুল, জুলাই ০৩ (এজেন্সী) ঃ
অফঘানিষ্টানগী মফম কয়াদা লালহৌবগী ঈরাং কল্লিঙৈ অমসুং লৈবাক্তুগী নোরদর্ন বাদক্সন অমসুং কুন্দুজ প্রোভিন্সশিংদা গভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা খুৎলায় পায়বা মিলিটেন্টশিংগী মায়োক্তা ওপরেসনশিং চথুরিঙৈ তাল্লক্তা টালিবান ফাইটর ২০ সরেন্দর তৌখ্রে হায়না পুলিসনা ফোঙদোরক্লি।

"মাৱলাৱি ইজমুদিনগী মখাদা লৈবা টালিবান মিলিটেন্টশিং খুৎলায় থাদোকখি অমসুং মখোয়গী খুৎলায়শিংদু হৌখিবা থাংজদা ফাইজবাদকী পুলিসতা শীন্নখি" হায়না সিনহুৱা ন্যুজ এজেন্সীনা পুলিসকী ওফিসল অমা পল্লদুনা হায়খি।

রাঘিষ্টান দিষ্ট্রিক্টতা সিক্যুরিটি ফোর্সশিং অমসুং টালিবান মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা কন্না খুৎ থোক্নরিঙৈ মরক্তা টালিবান মিলিটেন্ট ২০ দুনা পুলিসতা সরেন্দর তৌখিবনি। খুৎ থোক্লবদুদা নাকল অনীমক্তা মীওই কয়া শিখ্রে হায়রি।


# JOB NEWS

Regd. No. 2808 of 2013 (Govt. of Manipur)

| Sl. No. | Name of Post | No. of Post | Qualification | Salary |
|---|---|---|---|---|
| 1. | REQUIRED DIFFERENT AIRLINE STAFF FOR NEW DOMESTIC AIRLINES | | | |
| i) | Air Ticketing/Ground Staff | 25 | XII and Above | 12,000-20,000 |
| ii) | Air Hostess/Flight Steward | 15 | XII and Above | 25,000-40,000 |
| iii) | Cargo Driver/Loader | 30 | VIII and Above | 10,000-15,000 |
| 2. | URGENTLY REQUIRED PRIVATE OFFICE STAFF OF DIFFERENT BRANCHES IN IMPHAL | | | |
| i) | Loan Recovery | 15 | 10+2 | 5500-16000 |
| ii) | Reception | 10 | 10+2 | 5500-16000 |
| iii) | Loan Inspector | 10 | 10+2 and above | 6500-18000 |
| iv) | Accountant | 15 | 10+2 | 6500-18000 |
| v) | Collector | 20 | VIII and Above | 5000-15000 |
| vi) | G.N.M/A.N.M/B.Sc Nursing | 25 | | Negotiable |
| vii) | Security/ Security Ex-servicemen/supervisor | 35 | VIII and Above | 5500-12000 |
| viii) | Technical Department | 14 | VIII and Above | 5000-10000 |
| ix) | House Keeping | 20 | VIII and Above | 4500-8000 |
| x) | Gun man | 15 | VIII and Above | 6000-12,000 |
| xi) | Driver | 10 | VIII and Above | 5500-10,000 |
| 3. | POST VACANT IN MERCHANT NAVY | | | |
| i) | Deck Cadet/G.P. Rating | 15 | X and Above | 50,000-80,000 |
| 4. | URGENTLY REQUIRED FOR BANKING STAFF | | | |
| i) | Sales Manager/Account opening/ Sitting Staff | 30 | XII - Graduate | 18,000-28,000 |
| 5. | PART TIME JOB: Student, housewife, unemployed person | | | |

Date of form submission:- 14/07/2016
Date of Interview :- 15/07/2016
Sd/-
JOB HELPLINE AND COUNSELLING
WAHENGBAM LEIKAI NEAR IMPHAL LP GAS LEIRAK MACHIN

CONTACT NO.1) 8258993369
2) 9089814751
Date: 28,30,2,4,6,8,10,11,12,13

HL-B/3135/28,30,2,4,6,8,10,12,13 July





HL-B/3146/18/06-17/07


# EMPLOYMENT NEWS

### MIZORAM PSC INVITES APPLICATION FOR THE POST OF 03 LECTURER (MCON) . APPLY BEFORE 29 JULY 2016.

Advt No. : 12 OF 2016-2017
Job Details :
Post Name : Upper Division Clerk (UDC)
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 15600-39100/-
Grade Pay : Rs.5400/-
Eligibility Criteria for Mizoram PSC Recruitment :
Educational Qualification : 1st Class Master degree in Nursing in the appropiate line of specialty of a recognized university.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 years (as on 01.07.2016)
Age Relaxation : 5 years (for SC/ST Candidates)
Job Location : Aizawal (Mizoram)
Application Fee : Application fee of Rs 320/- For General Candidates and Rs 270/- for SC/ST Candidates should be paid by cash at the Reception Counter of Mizoram Public Service Commission Office or by depositing into the Treasury under the Head- 0051-PSC, 102-State PSC (Examination Fee. etc) or by uncrossed Indian Postal Order ( IPO) drawn in favour of Secretary, Mizoram Public Service Commission.
How to Apply Mizoram PSC Vacancy : Interested candidates may send their applications along with attested copies of IPO/ Challan form, HSLC certificates/ mark sheets, caste certificate etc & other relevant documents to the Office of Deputy Commissioner, Mizoram Public Service Commission , New Secretariat Complex, Aizwal on or before 29.07.2016.
Important Dates to Remember :
Last Date for Submission of Application : 29.07.2016
Detail Advertisement Link : https://mpsc.mizoram.gov.in/uploads/files/advertisment-no-12-of-2016-2017-lecturer-mcon.pdf

### HIGH COURT MEGHALAYA RECRUITMENT 2016

High Court Meghalaya invites application for the post of 04 Law Clerks for a period of 1 Year under terms and conditions mentioned in Scheme for engaging Law Clerks-cum-Legal Research Assistants in the High Court of Meghalaya. Apply before 22 July 2016.
Advt. No. : HCM.II/85/2016/2313
Job Details :
Post Name : Law Clerks
No. of Vacancy : 04 Posts
Pay Scale : Rs. 15000/- (Per Month)
Eligibility Criteria for High Court Meghalaya Recruitment :
Educational Qualification : Candidates must be a fresh law graduate having a Bachelor's Degree in Law (including Integrated Degree Course in Law) from any University/ College/ Institution established by law in India and recognized by the Bar Council of India.
Nationality : Indian
Age Limit : 33 years as on 01.01.2016
Job Location : Meghalaya
Application Fee : Candidates have to pay Rs.100/- through Demand Draft in favour of Registrar General High Court Of Meghalaya Shillong Payable at Shillong.
How to Apply High Court Meghalaya Vacancy : Interested Candidates may apply in application form along with Relevent document & Demand draft send to The Registrar General, High Court of Meghalaya at Shillong, M.G Road, Pin-973001 on or before 22.07.2016.
Important Dates to Remember :
Last Date for Submission of Application Form : 22.07.2016
Detail Advertisement & Application form Link : http://meghalayahighcourt.nic.in/pdf/R12.pdf
Rules & Scheme : http://meghalayahighcourt.nic.in/20.pdf

### AIR INDIA LIMITED RECRUITMENT 2016

Air India Limited invites application for the post of 45 Senior Executive & Executive on fixed term employment basis. Walk-in-Interview 25 July 2016.
Job Details :
Post Name : Senior Executive
No. of Vacancy : 03 Posts
Pay Scale : Rs. 1.5 lakh/- (Per month)
Post Name : Executive
No. of Vacancy : 42 Posts
Pay Scale : Rs. 80000/- (Per month)
Eligibility Criteria for Air India Recruitment :
Educational Qualification :
For Senior Executive : MBA or equivalent in Marketing /HR/ Finance with 10 years of service experience in the relevant.
For Executive : MBA /CA/ ICWA /B.E/ B.Tech.(Computer Science/ Electronics/IT/ Mechanical/ Aeronautical/ Electrical/ Instrumentation/ Industrial Production) or equivalent in HR/ Marketing/ Finance/ Material Management with 5 years service experience in relevant.
Nationality : Indian
Age Limit : For Senior Executive : 48 years
For Executive : 45 years
Job Location : All India
Selection Process : Selection will be made on Group Discussion, Personal Interview & Medical Test.
Application fee : Candidates have to pay Rs. 2000/- through demand draft drawn in favour of Air India Engineering Services Limited Payable at Delhi. SC/ST/ Ex-Servicemen are exempted from the payment of application fee.
How to Apply Air India Vacancy : Interested candidates may apply in prescribed application form along with self-attested photocopies of relevant documents & DD at the time of Interview.
Venue Of Interview : Air India Engineering Services Limited, Office of the General Manager (Engineering), Northern Region New Avionics Complex Terminal -2, I.G.I. Air Port, New Delhi-110037.
Important Dates to Remember :
Date of Interview : 25.07.2016 at 09:00 AM
Detail Advertisement & Application Form Link : http://www.airindia.com/writereaddata/Portal/career/287_1_CONTRACTUALAPPOINTMENTOFMARKETINGFINANCEMMDITANDEFDPERSONNELinAirIndiaEngineering_Services_.pdf

### RPSC RECRUITMENT 2016

Rajasthan PSC invites application for the post of 29 Research Assistant. Apply Online before 05 August 2016.
Advt No : 02/2016-17
Job Details :
Post Name : Research Assistant
No. of Vacancy : 29 Posts
Pay Scale : Rs.9300-34800/-
Grade Pay : Rs.4200/-
Eligibility Criteria for RPSC Recruitment :
Educational Qualification : IInd class Postgraduate degree in Economics/Economics and Public Administration/Public Administration/Sociology/ Mathematics/Commerce/Statistic, provided that a post-Graduate in Mathematics/Statistics should have had Economics or Sociology as one of the subject in B.A. and A certificate (RS-CIT course conducted by Rajasthan Knowledge Corporation Limited) awarded by Vardhaman Mahaveer open University, Kota or any other certificate awarded by a competent authority declared equivalent to the above certificate by Department of Information Technology and Communication in Government of Rajasthan.
Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 35 Years as on 01.01.2017
Job Location : Rajasthan
Selection Process : Selection will be based on Written Examination.
Application Fee: Candidates belongs to General & BC (Creamy layer)/ Special BC category have to pay Rs.350/-, Rs.250/- for Non Creamy layer BC & Special BC candidates of Rajasthan and Rs.150/- for All PH & SC/ ST candidates of Rajasthan. Fee can be paid through e-Mitra/ CSC or Net Banking/ ATM cum Debit Card or Credit Card.
How to Apply RPSC Vacancy: Candidates are required to apply online through website www.rpsc.rajasthan.gov.in or rpsconline.rajasthan.gov.in from 04.07.2016 to 05.08.2016.
Important Dates to Remember :
Starting Date For Submission Of Online Application : 04.07.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 05.08.2016
Last Date for Submission of Application Fee through e-Mitra : 03.08.2016
Detail Advertisement Link : https://rpsc.rajasthan.gov.in/Static/RecruitmentAdvertisements/BB93E0B3837745E2A5E8927AE178F0A7.pdf
Apply Online : http://www.rpsconline.rajasthan.gov.in/